**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 29-04-2025)**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ৱাহেংবম রাজেসনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

**দান্স ডে (এল)ঃ** মালেমগী জগোয়গী নুমিৎ ঙসি মফম কয়াদা পাঙথোকখ্রে। পালন নুমিৎ অসি ইং ১৯৮২ দগী হৌনা জগোয় ঈশৈগী লমবু হেন্না চাউখৎহন্নবা অমদি লম অসিদা থবক তৌরিবা মীওইশিংবু পুকিং থৌগৎপগী পান্দমদা পাঙথোকপা হৌখিবনি।

মণিপুরদসু নুমিৎ অসি জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমি ইম্ফালনা শিন্দুনা নুমিৎ অসি বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোঙদা লৈবা শ্রী গোপিনাথ মন্দিরগী মন্দপমদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এম.এল.এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়-ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা থন্বীরম্বা মমল য়াম্লবা কলা সংস্কৃত্তি অসি ঙসিগী মীরোলনা হান্না লৈজরম্বা শক্তমশিং অদু শেমদোক শেমজিন তৌদনা নীংথিনা ঙাকা শেন্দুনা থমসি। হান্না লৈজরম্বা নাৎকী শক্তমশিং শেমদোক শেমজিন তৌবনা তুংদা অকায়বা কয়া লাক্কনি।

নুমিৎ অসি কংলৈ ইন্দিজিনিয়স মার্সিয়েল আর্টস এন্দ কলচরেল সোসাইটি (কিমেক্স) না শিন্দুনা ৱার্ল্ড দান্স ডেগী থৌরম খুম্বোংগী ব্রাইতর একাদেমিদা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী সেক্রেটরি সুনন্দ থোকচোম, দিপার্টমেন্ট ওফ উমংলাই হরাওবা, মণিপুর য়ূনিভর্সিতি ওফ কলচরগী এসিস্তেন্ট প্রোফেসর ডা.ঙানবী চনুসু শরুক য়াখি।

মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ দান্স এন্দ ম্যুজিকনসু শিনদুনা

‘মালেমগী জগোই নুমিৎ’ থৌরমগা মরী লৈননা নুমিৎ নিনি চত্থগদবা জাতি থাক্কী সেমিনার অমা ঙসি হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদ্দা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী স্কুল ওফ হ্যুমেনিটিজগী দিন-প্রোফেসার-এম. প্রমোদিনি, দিপার্টমেন্ট ওফ দান্স এন্দ ম্যুজিক্কী হেদ-ডা: এল. থোইবনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**লৈশেম্বা (এল)ঃ** রাজ্য সভাগী এম.পি. নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা বাল বিদ্যা মন্দিরগী ফমুং ১০০ লৈবা বোইস হোষ্টেল অমা ঙসি শঙ্গাখ্রে।

হোষ্টেল অদু দোন্নর মন্ত্রালয়গী মখাদা লৈবা নোর্থ ইষ্ট কাউন্সিল (এন.ই.সি) গী মখাদা শাখিবনি। থৌরমদুদা বিদ্যা ভারত্তি অখিল ভারত্তিয়া শিক্ষা সংস্থানগী সংঘধন মন্ত্রি-গোবিন্দ চন্দ্র মহন্তানচিংবা শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**কোকোমি (এল)ঃ** কোওর্দিনেটিং কমিতি ওন মনিপুর ইন্টিগ্রীতি (কোকোমি) না শিনদুনা রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিগী মতাংদা খন্ননবা মীয়ামগী মীফম অমা মে অহুমদা খুন্মন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

লমফেলদা লৈবা লুপ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপগী পাউগী মীফম অমদা লুপ অসিগী কনভেন্নর-খুরাইজম অথৌবনা হায়-হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা আই.দি.পি. কয়া ময়ুমদা হনজিনবা ঙমদনা লৈরিবশিং অসি হনজিলহন্নবা য়াওনা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি অথুবদা ৱারোইশিন পুরকবা হীরম কয়াদা ৱা খন্নগনি।

**ককচিং (এল)ঃ** ওল ককচিং ক্লবস কোওর্দিনেটিং কমিতি অমসুং কোকোমিনা

পুন্না শিনদুনা মনিপুরগী ক্রাইসিষ্টনা চহি অনি ফাজিল্লকপা হায়বসিদা মীফম অমা ককচিং নিংথৌ লৈকাইদা লৈবা সেন্ত্রেল পব্লিক হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মীওই কয়ানা ৱা ঙাংখি।

**মৈ (এল)ঃ** ককচিং জিলাগী সুগ্ বজারদা ঙসি নুংথিল পুং অমরোম তাবা অদুৱাইদা খঙহৌদনা মৈ চাক্লকপদগী দুকান মরি অমাং অতা থোকখ্রে।

ফয়ার সার্ভিস, মনিপুর পুলিস অমদি মফম অদুদা লৈরিবা মীয়ামনা খুদক্তা চংশিনদুনা মৈ কনবগী থবক চথ্খি। মৈ অদু মতৌ কমদৌনা হৌরকখিবনো হায়বা চপ চাবা খঙবা ঙমদ্রি।

**কেয়র ডে(এল)ঃ** য়ান-ৱারোলগী মতুং চহী ১০-ঐখোয় হৌজিক করি তৌরি হায়বা হীরমদা মালেমগী ৱার্ল্ড হোস্পাইস অমসুং পেল্লিয়াতিভ কেয়র নুমিৎ ঙসি পাঙথোক্লি।

রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সর্ভিসেস অমসুং নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরনা শিন্দুনা ইম্ফালগী লম্ফেলপাৎতা লৈবা আই.এম.এ হেরিতেজ হোলদা থৌরম অসি পাঙথোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা হেলথ সর্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডা.চম্বো গোলমৈ, ষ্টেট মিসন দাইরেক্তর ডা.এম.দিনেস সিংহনচিংবা শরুক য়াখি। থৌরমদুদা নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল ওফ নন-কম্যুনিকেবল দিজিজেসকী ষ্টেট নোদেল ওফিসর ডা.ৱাই প্রেমচন্দ্র সিংহনা পেল্লিয়াতিভ কেয়রগী মতাংদা ভোল্যুন্তিয়র অমসুং কেয়র গিভরশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

মহাকা হায়-কেরলাগুম্বা অতৈ রাজ্যশিংদা পেল্লিয়াতিভ কেয়র অসি মায় পাকা পাঙথোক্লি। লমদম অসিগী নহাশিংনা থোরক্তুনা পেল্লিয়াতিভ কেয়রগী থবক থৌরমশিংদা হেন্না পুকিং চংহন্নিংবগী অপাম্বা মহাকা ফোংদোকখি।

**ভিজিট (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন-থুমলিপ টিনিংফম মোনশাংনা লুচিংবা কমিসন অসিগী কাংবু অমনা ইম্ফালগী ওল লম্বুলেন্দদা লৈবা মনিপুর সেন্ট্রেল জেলদা চৎতুনা মফম অদুদা লৈরিবা নুপী বন্দিশিংগী ফিভম য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা কম্মিসনগী চেয়ারপাসননা হায়-অতৈ বন্দিশিংগুমা নুপী বন্দিশিংসু মখোয়গী ফংফম থোকপা হকশিং ফংলিব্রা হায়বদু খঙননবা মফম অসিদা লাকপনি।

মহাকা নুপী বন্দিশিং অদুদা মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অদু চিংনবা লৈতনা ফোংদোকবা হায়বগা লোয়ননা মখোয়গী সমস্যাশিং কোকহন্নবা হোৎনবদা কম্মিসনগী মায়কৈদগী পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎকনি হায়বগী থাজবা পীখি। মনিপুর সেন্ট্রেল জেল অসিদা ইনমেট ২৬ অমসুং ৱিমেন ফোরেন্সর দিটেন্সন সেন্টরদনা ইনমেট ২৩ লৈরি।

**দিংগো (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সেকমাই কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা লোইতাং খুনৌদা কেন্দ্র অসিগী এম.এল.এ. হৈখাম দিংগো সিংহনা কম্যুনিতি হোল য়াওবা ক্লব অমা শঙ্গাখ্রে।

ঙসিগী শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা জিলা পরিষদ অমদি অতৈ তোঙান তোঙানবা মরুওইবা মীওইশিংসু শরুক য়াখি।

**দিজাস্তর (এল)ঃ** নেসনেল প্রোগ্রাম ওন ক্লাইমেট চেঞ্জ এন্দ হ্যুমেন হেলথ, নেসনেল হেলথ মীসনগী ষ্টেট নোদেল ওফিসার-ডা: ৱাই. নিবেদা দেবীনা হায়রি-অখাক অরাও অমসুং বজ্র তারকপা য়াবা মতমদা মীয়ামনা য়ারিবমখৈ চেকশিন্না লৈবগী তঙাইফদবা লৈ।

অকাশবানিগা উন্নবা অমদা মহাকা হায়-অখাক অরাও থোকপা মতমদা মীয়ামনা য়ারিবমখৈ মোবাইল ফোনশিং চার্জ তৌরোইদবনি। ইলেক্ট্রোনিক্স

দিভাইসশিং মুত্থৎতুনা থমগদবনি। অসিগুম্বা মতমদা মীয়ামনা কোংক্রিক ৱাল অমসুং থোং থোংনাউগী মনাক্তা লৈবিরোইদবনি। খ্বাইদগী ফবদি য়ুমদগী ময়াই শরুক্তা লৈবনা শাফবা হেনগনি।

মহাকা হায়-লৌবুক লমহাংদা লৈরিঙৈদা বজ্র তাবা অমসুং অখাক অরাও তৌরক্লবদি য়ারিবমখৈ ঈশিংগা নকদনবা অমসুং খোঙ লৈবাক তাদনবা হোৎনগদবনি।

**সিপিআই (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাদা লৈরিবা কোল ষ্টোরেজ খুদিংমক মথৌ তৌহন্নবা সি.পি.আই. মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা দাবী তৌরি।

দল অসিগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ওফিসতা ঙসি ফমখিবা সি.পি.আই. দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলনা জিলা অসিদা শাখিবা কোল্ড ষ্টেরেজশিং ঙসি ফাওবা মথৌ তৌদনা থম্বা অসিদা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** 'য়েস ৱিকেন্দ এন্দ টি.বি. হায়বা হীরমদা মেদিয়া পার্সনশিংগী ওইবা নোংমগী মীয়াম পুন্না ভাব তামীন্নবগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট টি.বি. সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু নেসনেল ট্যুবরকোলোসিষ্ট ইলিমিনেসন প্রোগ্রাম অমদি দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি-ককচিংগা পুন্না খুৎশমরগা পাঙথোকখিবনি।

**ঈ (এল)ঃ** লাইফ সেভর মনিপুর, দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিন-রিমস অমসুং দি.এম.সি. সাইন্স-স্তাল ৱার্ডস ফ্রেন্সিপ এদুকেস্নেল একাডমী-ইম্ফাল হষ্টকা খুৎশমরগা নুমিৎ তরেৎনি চত্থরকপা ঈ দান তৌবগী থৌরম ঙসি লোয়শিনখ্রে।

থৌরম অদুদা মীওই ৪০ হেনবনা ঈ দান তৌখি।

**ফোরেষ্ট (এল)ঃ** তাইরেনপোকপী-তমেংলোং প্রোটেক্তেদ ফোরেষ্টকী মনুং চনবা লৈমরাম ল্লোক্কী ঙারিয়ান চিংদা আইন কায়না চিং লৈবাক পেকস্বা স্কাবেটর অনি অমসুং ত্রক মখা ফোরেষ্ট বিভাগকী ষ্টাফশিংনা ফাগৎখ্রে হায়রি।

**কছারঃ** অসাম পুলিসনা কছার জিলাদগী ঙসি অয়ুক অঙনবদা লুপা কোতি ৬ লাখ ৭ রোমগী মমল ওইগদবা য়াবা টেব্লেট অমসুং হেরোইন ফারে।

কছার জিলাগী এস.পি.-নুমল মহাতানা হায়- অককবা পাউ অমা ফংবদগী ঙসি অয়ুক অঙনবদা অচৎ ওকশিং চেক তৌবদা সিলচর বাই পাস মপাদা গাড়ি অমা খামদুনা থিবা হুম্বগী থবক চথখি। মদুদা, মীওই অনিদগী হেরোইন গ্রাম ১১৪ অমসুং য়াবা টেব্লেট লিশিং ২০ হেন্না ফাগৎপা ঙমখিবনি। মহাকা হায়-ফারবা পোৎলমশিং অসি ব্লেক মার্কেটতা লুপা কোতি তরুক লাখ ৭ রোমগী মমল ওইগনি হায়রি।

হৌখিবা তাং ১৯ দা অসাম পুলিসকী স্পিসিএল টাক্স ফোর্সনা কামরুপ জিলাদগী লুপা কোতি ৭১ রোমগী মমল ওইগদবা য়াবা টেব্লেট লাখ অনি লিশিং ৭০ অমসুং হেরোইন গ্রাম ৫২০ ফাগৎপা ঙমখিবনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ অমসুং নেসনেল সেক্যুরিতি এদভাইজর-অজিৎ দোবালগা লোয়ননা ঙসি মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ-অনিল চৌহান, লান্মীগী মকোক-জেনরেল উপেন্দ্র দ্বিবেদি, নেভিগী মকোক-এদমিরেল দিনেস কে. ত্রিপাথি অমসুং ইয়ার চীফ মার্সেল-অমর প্রিত সিংহ শরুক য়াখি। থা অসিগী ২২ দা জম্মু কাশ্মিরগী পাহলগামদা টেরোরিষ্টশিংনা এটেক চথখ্রবা মতুংদা মীফম অসি পাঙথোকপনি।

চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ-অনিল চৌহাননা ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ উন্নদুনা পাহলগাম তেরর এট্টেক্কী মতুংদা লৌরকখিবা ৱারেপশিংগী মতাংদা

পাউদমখ্রবা মতুং ঙরাং ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা লোক কল্যান মার্কতা লৈবা প্রধান মন্ত্রিগী য়ুমদা শ্রী মোদিগা ডন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নখিবনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-২১ শুবা চহি চাগী দরকার ওইবশিং ফংননবা লৈবাক অসিগী এদুকেসন সিষ্টেম হেন্না চাউখৎহন্নবা সরকারনা হোৎনরি। মহাকা হায়-কেন্দ্র সরকারনা লৈবাক অসিগী মহৈরোই খুদিংমক্তা মালেমগী ওইবা লৌশিং গ্যান ফংহন্নবা হোৎনরি।

ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা পাঙথোকপা য়ুগম মীফমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অসিগী তুংগী পুন্সি নহাশিংনা লেপকদবনি। মরম অদুনা চাউখৎপা, মগুন লৈবা ভারত অমা ওইনবগীদমক নহাশিংবু নীংথিজনা শেম শাদুনা থম্বা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-অনৌবা এদুকেসন পোলিসি অসিনা লৈবাক অসিগী অওনবা পুরক্লি। মহাকা হায়-টেলেন্ট, টেম্পরামেন্ট অমসুং টেকোলোজি হায়বসিনা ভারতকী তুংগী লম্বীদা অওনবা পুরক্কনি। শ্রী মোদিনা হায়-ৱান নেসন, ৱান সপসক্রিপসন স্কিমনা মালেম থাক্কী লৌশিং-গ্যানশিং মহৈরোইশিংদা ফংহল্লি। কুমশি চহিগী বজেটতা সরকার অসিনা আই.আই.টি.এস. সিট লৌবগী মশিং হেনগৎলে। আই.আই.টি.এস. অমসুং এমইসকা খুৎশমরগা তোঙান তোঙানবা মেদি-টেক কোর্সশিং হৌদোক্লে।

**কাং (এল)ঃ** লাইনিংথৌ সনামহি কাং এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ৱাঙ্গোই লোংজম লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা চৎখরিবা অহানবা লাইনিংথৌ সনামহি প্লেয়রস মেমোরিয়েল কেন্দ্র ৱাইস লিগ কম নোক আউট ওপন কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- ৱাবগাই কেন্দ্র কাংখুৎনা য়াইস্কুল কেন্দ্র কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৪-১০ দা থোইখ্রে।

**রেস্লিং (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট ইন্দিজিনস ওপন রেস্লিং চেম্পিয়নসিপ ২০২৫, সেনাপতি জিলাগী এস্ত্রো তব গ্রাউন্দদা ঙসি হৌদোকখ্রে।

থৌরম অসি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট রেস্লিং এসোসিয়েসন-মনিপুরনা শিনবনি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা চথুরিবা অনিসুবা প্রেমিয়র লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা অবা-ক্ষেত্রিগাউনা ৱাংগোই ফুটবোল এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** সমরাম প্লে গ্রাউন্দদা চথুরিবা অহুমশুবা ষ্টেট লেবেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বাটর ফাইনেলদা-ফুটবোল লবরস মনিপুরনা এস.দি.ও. পল্লেলবু পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** তেন্থা মল্টিপেলস গ্রাউন্দদা চথুরিবা তকৱা ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-থৌবাল এফ.সি. অমসুং এস.ডব্লিয়ু.সি. কৈরক পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা জি-ফাইব হৈরোকনা ৱাই.পি.ও. সোরাবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** এস.এস.সি. প্লে গ্রাউন্দদা চথুরকপা তরুকশুবা সেক্তা ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-গোর্ল্ডন এফ.সি. কিয়ামগৈনা য়ুনাইটেদ সেক্তরবু পাঞ্জল ২-০ দা, টাম এফ.সি. (এ) টিম সেক্তানা ও.এন.ৱাই.সি. ওকসু নিংথেমচা খুলবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা এস.কে.দি.সি. সনজেনবম অমসুং তখেল এফ.সি. পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো ওইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ৩ শুবা মায়পাকপী মেমোরিয়েল ফুটবোল ত্রোফি ঙসি

শান্নখিবা মেটচতা-এম.এম.এফ.এ. হৈরোকনা আর.এস.এফ.সি. সনঞ্জেনবমবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** চহি ১৯ মখাগী অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. ৱান দে ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা থাউ থাংমৈবন্দনা টি.টি.আর.সি. পাৎশোইবু ৱিকেট ৮ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচশিংদা-সেদো থাংমৈবন্দনা পি.টি.সি.সি. পাৎশোইবু রন-২৬ তা, পি.টি.টি.আর.সি. পাৎশোইনা এস.সি.সি.সি. শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইবু ৱিকেট ৯ দা, সেদো থাংমৈবন্দনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি. লালাম্বুং মখোঙবু রন-৩১ দা, পি.সি.সি. ময়াই কোইবীনা রুল-মৈত্রমবু ৱিকেট ১০ দা অদুগা অল-আমিন লিলোংনা পি.টি.সি.সি. পাৎশোইবু রন-৪ দা থোইখি।

**অরুনালঃ** অরুনাচল প্রদেসতা পাঙথোকখিবা অতুতো এম.এম.এ. চেম্পিয়নসিপ্তা ৱিন্নর ওইরকখ্রবা মনিপুরগী লাখন লাইশ্রমবু ওকপগী থৌরম ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী খা-সঞ্জেনবম য়ুথ য়ুনিয়ন ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।